# সনালৈবাক

(চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে)





হৈঙাং মীকোল লোক্তা ঙরাং পাঙথোকপা পুয়া মৈ থাবা নীংশিং থৌরমদা লমদম অদুগী নুপীশিংনা অথেনপোংকা লোয়ননা শরুক য়াবা লাকখিবা



মহারাজ চন্দ্রকির্ত্তি ওদিটোরিয়মদা চৎলিবা রোজেন্দ্রো থিয়েটর ফেস্টিভেলগী ঙরাং ৭নি শুবা নুমিৎতা দিপুটি চিফ মিনিষ্টরনা শরুক য়াদুনা রা ঊংখিবা

মোরেগী ট্রেদ সেন্টর কনফরেন্স হোলদা ঙরাং পিপলস রাইটস এন্দ আর্মদ কনফ্লিক্ট হায়বা হীরমদা পাঙথোকপা নোংমগী এব্যানেস প্রোগ্রামদা শরুক য়াখিবশিং



ম্যান্মারগী কালেদা পাঙথোক্লদবা হেল্থ কেম্পকী টিম ঙরাং ইম্ফালদগী খোঙশানখিনবা থৌরমদা য়াওখিবশিং





Vol : 40 Issue : 152 Pages : 8 | Website: www.sanaleibak.in | Imphal Saturday, January 25, 2014 | থাংজ, ৱাকচিং ২৪ নি পানবা | E-mail: sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com | RNI Regd. No. 31350/77 | ₹ 3.00


## GAS NEWS

**HRANGCHAL GAS, Kongba**
Bk.upto: 20-11-13
Valid From: 09-11-13
*Stock: 306*
Timing: 7:30 to 10:00 am

**JEMON GAS, Chingamathak**
Bk.upto: 09-11-13
Valid From: 02-11-13
*Stock: 576 (Sl.No.29600)*
Timing: 7:00 to 10:00 am

**K &K INDANE**
Bk.upto: 18-12-13
Valid From: 10-12-13
*Stock: 306*
Timing: 7:00 to 10:00 pm

**KHONGNANG GAS, Bpr.**
Bk.upto: 07-10-13
Valid From: 28-09-13
*Stock: 612*

**LEIBAKLEI GAS, Kakching**
Bk.upto: 08-11-13
Valid From: 29-10-13
*Stock: 612*
Timing: 7:00 to 10:00 pm

**MAHALUXMI GAS**
Bk.upto: 15-12-13
Valid From: 21-11-13
*Stock: 306*
Timing: 7:30 to 11:30 pm

**MAIBIA GAS, Moirang**
Bk.upto: 21-11-13
Valid From: 17-11-13
Timing: 7:00 to 11:00 pm

**RBD INDANE**
Bk.upto: 03-12-13
Valid From: 20-11-13
*Stock: 612*
Timing: 7:30 to 11:00 pm

**THOUBAL GAS, Thoubal**
Bk.upto: 27-09-13
Valid From: 20-09-13
*Stock: 612*
Timing: 7:30 to 11:00 pm

**YAIRIPOK GAS**
Bk.upto: 04-12-13
Valid From: 25-11-13
*Stock: 306*
Timing: 7:00 to 10:00 pm

## মফম অনিদা আই ই দি ফিট তৌদুনা থম্লগ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৪ ঃ থাসিগী ২৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা রিপব্লিক ডেগী থৌরমগী মাংওইননা তোঙান–তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা সিক্যুরিটিশিংনা অকনবা মওংদা চেকশিন থৌরাং লৌখত্তুনা থিব–হুম্বগী থবক কয়া লেপ্তুনা চৎথরিঙৈ মরকসিদা ঙসি অয়ুক বিষ্ণুপুর অমদি চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফম অনিদা শকখঙদবশিংনা আই ই দি বোম অনি ফিট তৌদুনা থম্লম্লে।

শকখঙদবশিংনা বোম ফিট তৌদুনা থম্লম্বগী অহানবা থৌদোক অসিনা ঙসি অয়ুক পুং ৮.৩০ রোম তাবদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মোইরাং পুলিসকী মনুং চন্না লৈবা ত্রোংলাওবী অমদি ওকশোংবুং অনিগী মরক্তা আই ই দি অদু সেন্দ্রাদা লৈবা ৬শুবা এ আর গী কাঙবুনা আর ও পি লাকপদা থেংনরকখিবনি। তুংদা ইম্ফালগী টিদ্দিম লম্বীদা লৈরিবা মফম অদু কনা ▸ মখা লাঃ ৫, কলম ৭দা

## লোইরেদনা




## ‘জেলগী ইনমেটশিংনা মখোয়গী উকিলশিংগা হকথেংননা উন্নবা য়ানবা থৌরাং লৌখৎলগনি’

এস এন এস

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৪ঃ জেল মনুংদা তোঙান তোঙানবা কেসশিংগা মরি লৈননা লৈরিবা ইনমেটশিংনা মখোয়গী উকিলশিংগা হকথেংননা উন্নদুনা ৱারি শান্নদুনা মখোয়গী কেসকী ষ্টেটস অদু হকথেংননা খঙবা য়ানবা সিষ্টেম অমা হৌদোক্লবা হোৎনরগনি হায়না মণিপুর হায় কোর্টকী এক্টিং চিফ জষ্টিস লক্ষ্মিকান্ত মাহাপত্রনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর সেন্ট্রেল জেল সজিৱাদা পাঙথোকখিবা লিগেল এইড ক্লিনিক অমা হাঙদোকপগী থৌরমদা জেলদা লৈরিবা ইনমেটশিংদা ৱা ঙাংলদুনা এক্টিং চিফ জষ্টিস অসিনা হায়, জেল মনুংদা লৈরিবা ইনমেটশিং–গা মপান্দা লৈরিবা মীওইশিংগা খেন্নবা করিসু লৈতে। মখোয়গীসু ফংফম থোকপা হকশিং ফং



জেলদা লৈরিবা ইনমেটশিংনা উকিলশিংগা হকথেংননা উন্নবগী খুদোংচাবা ফংদবা অসি ষ্টেট খুদিংমক্তা মায়োক্লরিবনি।

হনবা হায়বসি তৌফম থোকপনি।

ষ্টেট খুদিংমক্তা লিগেল সর্ভিস ওথোরিটি অসি লৈরে অমদি জেল অমসুং সব জেলশিংদা লিগেল এইড ক্লিনিকশিং হাংদোক্লরে।

অসিগুম্বা লিগেল এইড ক্লিনিকশিং হাংদোকপা অসিনা জেলদা লৈরিবা ইনমেটশিং অসিদা খুদোংচাবা কয়া পীগনি। মখোয়না লিগেল এইড ক্লিনিক অসিগী পেড়া লিগেল ভোলুন্টিয়ারশিং খুত্থাংদা পাউতাকশিং লৌবগী খুদোংচাবা লৈরগনি।

করিগুম্বা মখোয়না পেড়া লিগেল ভোলুন্টিয়ারশিংগী মতেংগা লোয়ননা ৱাকৎশিং থাঙ্গৎনিংবা মতমদা অচুম্বা মায়ওন অমদা চংশিনবা য়ারগনি। করিগুম্বা মখোয়গী কেসতা অরুবা লাকপা মতমদা পেড়া লিগেল ভোলুন্টিয়ারশিংগী মতেং লৌবা য়ারগনি। ▸ মখা লাঃ ৫, কলম ৩দা

## মোডিগী ইম্ফাল খোঙচত্তা মী লাক্ষ অমদগী হেন্না তিন্নবা থৌরাং তৌরি

এস এন এস

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৪ঃ লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ৮ দা নোর্থ ইষ্টতা অহানবা খোঙচৎ ওইনা লাক্কদৌরিবা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী প্রাইম মিনিষ্ট্রিয়েল কেন্দিদেট ওইনা লাউথোকখ্রবা নরেন্দ্র মোডিগী ইম্ফাল খোঙচৎ অসি মায় পাকহন্নবগীদমক বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা অকনবা মওংদা শেম শাবা হৌখ্রে। মোডিগী খোঙচৎ অসিগা মরি লৈননা পাঙথোক্কদৌরিবা মীয়াম তিনবা মীফমদা মীওই লাক্ষ অমগী মথক্তা তিনবা ঙম্নবা শেম শারি হায়না বি জে পি মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিডেন্ট টি ঐচ চাউবনা ফোঙদোরক্লি।

নরেন্দ্র মোডিগী খোঙচৎ অসিগা মরি লৈননা ঙসি পার্টি অসিগী ওফিসতা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা পার্টিগী ষ্টেট প্রসিডেন্ট টি ঐচ চাউবনা ময়ায় তাঙবল লৌদুনা অমসুং বি জে পিগী নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং নোর্থ ইষ্ট ইন চার্জ টাপির গাউনা স্পিসিয়েল ইনভাইটি ওইনা শরুক য়ারদুনা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা বি জে পিগী ▸ মখা লাঃ ৫, কলম ৫দা

## ‘রাইটস কম্মিসনগী দিরেক্টিব থবক্তা পাঙথোকউ’

এস এন এস

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৩ ঃ মণিপুর সরকারনা লোক্তাক পাৎতা লৈরিবা লৌতাংশঙশিংগী মতাংদা নেসনেল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী দিরেক্টিব অদু থবক্তা ওন্থোকপীদুনা অথুবা মতমদা ঙামীশিংদা অচুম্বা বীচার ফংহনবীয়ু হায়না ঙসি ওল লোক্তাক লেক ফিসরমেন ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরি ওইনাম রাজেন্না পাউমীশিংদা ফোংদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখিবদা, ইং ২০১১ গী নবেম্বর ১৫ দগী ২৩ ফাওবা দা লোক্তাক পাৎতা ইভিক্সন তৌখিবদা খাংপোকশঙ ৭৭৭ মৈ থাদোক্তুনা মাংহনখি। মসিগী মমাংদা লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওথোরিটিনা ইং ২০১০ দা তৌখিবা সর্ভেগী রিপোর্টতা লোক্তাক পাৎতা লৈখিবা খাংপোকশঙ অসি ▸ মখা লাঃ ৫, কলম ৩দা

## পুয়া মৈ থাখিবগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৩ ঃ মণিপুরগী পুয়াশিং মৈ থাদোকখি হায়বগী মরমদা খন্ন–নৈনদুনা লৈবগী মহুত্তা করি থবক পায়খৎলগা ঐখোয়গী মাংখ্রবা শক্তম অমদি চীংমী–তম্মিগী নুংশি চান্নবা অদু হঞ্জিল্লক্কদগে হায়বরোমদা তৌগদবা থবক–থৌরমশিং পায়খৎপগী মতম ওইরে হায়না মণিপুরগী নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা ফোংদোকখ্রে।

পুয়া মৈ থাখিবগী চহি ২৮৫ শুরকপগী নীংশিঙ কুমওন থৌরম ওবজার্বেসন কম্মিতি ওন পুয়া মৈ থাবা (ইকোপ),মীতৈ নেসনেল ফ্রন্ট কংলৈপাক, মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিল, ওল মণিপুর রিকগনাইজ প্রাইভেট স্কুল ৱেলফেয়র এসোসিয়েসন অমদি হনজিং মার্জিংকোল পাখংবা লাইসনা কনবা ▸ মখা লাঃ ৫, কলম ১দা

## য়ু এসতা রেনবেক্সিগী হিদাক খরসু অথিংবা থমখ্রে

রেনবেক্সি ওফিস, জনুৱারি ২৪ঃ হৌখিবা চহি খরগী মমাংদগী ইন্দিয়াগী রেনবেক্সিগী হিদাক শুংফম ফেসিলিটি খরদা য়ু এসনা কুপ্না য়েংশিনবা হৌরকখিবগা লোয়ননা য়ু এসকী কৈথেলশিংদা কম্পেনি অসিগী পোথোক ওইবা হিদাক খরা পুশিল্লকপা থিংখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।




মরুওইনা ইন্দিয়াগী পঞ্জাবতা লৈবা রেনবেক্সিগী ত্বন্সা ফেসিলিটিদগী শারকপা হিদাক খরা য়ু এসকী কৈথেলশিংদা পুশিল্লকপা য়ু এসনা থিংখিবনি হায়রি।

য়ু এস ড্রগ রিগুলেটরনা হায়বদা পঞ্জাবকী ফেসিলিটি অসিদা শিংথানিঙাই ওইবা মেন্যুফেকচরিং ভাইওলেসন খরা লৈরে হায়বা শেংনা খঙলে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

রেগুলেটর অসিগী ষ্টাফনা অহানবগী ওইনা চৎখবা চাং য়েংশিংদা পোথোক খরা মায় পাকখিদ্রবা মতুংদা অমুক্কসু হন্না চাংয়েং চৎখি হায়রি। মসিদা ▸ মখা লাঃ ৫, কলম১দা




Smt. Sonia Gandhi
Chairperson, UPA



Dr. Manmohan Singh
Prime Minister

**RIGHT TO INFORMATION HAS GIVEN EVERY CITIZEN THE RIGHT TO MAKE GOVERNMENT ACCOUNTABLE**

- Crores of applicants provided information through Right to Information Act, 2005 by Central and State Governments
- Lokpal enacted for accountable and transparent governance
- Whistle Blowers Protection Bill and Delivery of Services Bill introduced in Parliament

भारत निर्माण के प्रमाण

REACHING PEOPLE, CHANGING LIVES.

davp 22111/13/0215/1314